ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯳꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ৩০, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩ শুবা চহী, ০০৪শুবা মশীং

# শকখঙদবশিংনা স্কুল মৈ থারম্বা

## *ইশানা ইশামক্কী খোঙদা শীংজংনা য়ানশিঞ্জবগী থৌওংনি*

*হৌখিবা* য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অহিংদা শকখঙদবশিংনা হৈরোক পুলিস ষ্টেসন মনুং চন্না লৈবা সলুংফম হায় স্কুল মৈ থাদুনা মাঙ-তাকহল্লম্লে। কনানা করি মরমগী মৈ থারল্লিবনো খঙদ্রিবা থৌওং অদুদা স্কুলগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক য়াওনা কা তরেৎ, পর্সনেল কম্প্যুটরশিং, সাইন্স লেবোরেটরিগী মচাক-মথুমশিং অমসুং মরু ওইবা চে-চাং কয়ামরুম মাঙ-তাকখ্রে। মৈ চাকপদা মাঙ-তাকখিবা পোৎলমশিং চঊরোক্লা লুপা লাখ ২০ লোমগী ওইগনি হায়রি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়ন্সিগী মীখলদা মরু ওইবা পোল্লিং ষ্টেসন অমা ওইনা শীজিন্নগদৌরিবা স্কুল মৈ চাকপগী পাউ হেক ফংবগা থৌবাল অমদি য়াইরিপোক্তা লৈবা ফায়র সর্ভিসকী গাড়ী অহুম থুংলদুনা ক্লাসরুম তরুক মৈনা তুম্না চাক্লমগদবদগী কনবা ঙমখি। স্কুল অসিগী চৌকিদারনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না সলুংফমদা পাঙথোকপা লাই হরাওবগী থৌরম য়েংলুরগা চাক চারিঙৈগী চৈরক্তা মীওই খরনা স্কুল মৈ চাকপগী পাউ পীরকখিবনি হায়রি। স্কুলগী হেদ মাষ্টরসু চৌকিদারনা পাউ পীরকপগী মতুংইন্না থৌদোক থোকফমদা থুংলদুনা মীয়ামগা লোয়ননা মৈ মুৎথৎনবা হোৎনবদা শরুক য়াখি হায়রি। মহৈরোয়শিংগী শেংলবা লাইশঙনি হায়না লৌবা য়ারবা স্কুল মৈ থারম্বগী মতাংদা হেদ মাষ্টরনা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ব্রাকৎলকপদগী হৈরোক পুলিস ষ্টেসনননা কেস অমা লৌখৎখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রধান য়াওনা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা চেন্নবা মীওইশিং ফারগা মতীক চাবা চৈরাক পীবীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তকশিনখি। করিগুম্বা লৈঙাক্লা মতীক চাবা থবক লৌখৎলক্ত্রবদি মীয়ামগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

অমরোমদা, শকখঙদবা মীওইশিংনা সলুংফম হায় স্কুল মৈ থারম্বগী থৌওং অদুবু দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)নসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। সগোলবন্দদা লৈবা দেসামগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহৈরোয় লূপ অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল সিতল ওইনামনা হায়খি, সলুংফম হায় স্কুল মৈ থারম্বগী থৌওং অদু মহৈরোয় খুন্নাই অমদি লমদমসিগী মীয়ামদা শীংনবনি হায়না লৌবা য়াই। মহৈ-মশিন তম্বদা মখল অমত্তগী অপনবা থোকহন্দনবা দেসামনা কুমজা ২০০৮ দগী অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা লাকপনি। এদ্যুকেসনবু ফ্রী জোন ওইহন্নবা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈগী চৈরক্তা স্কুল মৈ থারম্বগী থৌওং তরাইনা লৌদে হায়না পল্লদুনা দেসামনা হায়, স্কুল মৈ থাদুনা তমথীবা থৌওং চৎথরল্লিবা মীওইশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফারগা লোগী মতুংইন্না মতীক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি। স্কুল মৈ থাদোকখিবনা মরম ওইরগা মহৈ তম্বা ফংদবগী ফীভমদা লাক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিং মখা তানা মহৈ তম্বা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। স্কুল মৈ থারম্বদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা হোৎনবদা মীয়াম্না অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবীয়ু। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনসু খুন্নাইগী য়েক্লবনি হায়না লৌবা য়ারবা মীওইশিং খূদক্তা ফানবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না দেসামনা তকশিল্লক্লি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি কনানা করি মরমগী স্কুল মৈ থারল্লিবনো হায়বদুনি। খুন্নাইগী য়াঙলেন শরূনি হায়না লৌনরিবা এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা চৈথেং পীবা য়াবা মওংদা চৎথরক্লিবা থৌওং অসিগী চপ চাবা লীখুন পুথোক্লবা হোৎনফম থোকই। কনাগুম্বনা ঙাওশিন্নরিবনি হায়না ইচম-চম্না চৎথরকপা ওইরগসু নৎত্রগা অতম্না তৌগে হায়বা অমা য়াওনা চৎথরকপা থৌওং ওইরগসু চপ চাবা অমদি খঙদোকপা চুম্লে। লোয়ননা মতুং তারকপদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা হোৎনফম থোকই।

## ••• *এডিটরদা থারকপা চিঠি* •••

### অতনবগী শরুক থুংদে

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মী* খুদিংমক হুমাংমলনা মচিঞ্জাক তানগদবনি। কৈদৌঙৈদা উখিদ্রিবা, কৈদৌঙৈদসু ফংঙম্লোইদবা মমল য়াম্লবা পোৎশক পাম্বা য়াদে। ফজরবা মণি-মুক্তা, ফুরা-দলাল ঐহাক্না কন্না শূজ-নোমজরগা ফংফম থোকপদু মঙ-মঙদুনা খূৎ করাংদা লোনশিন্দুনা লৈরগা শূ-নোমদনা কদাইদগী লাক্কনি অমসুং ফংগনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মথৌদা পূক্নিং চঙবা, মহৈ-মশীন, থবক-ইনখাং শূ-নোম্বা মশাগী ফীরেপ ফংননবা হোৎনবা কনবা, অচুম্বা চৎপা, লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি লৈবা, হায়বা ইনবখক্তনা অথোইবা লননি হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই। ঐখোয়গী ইরমদম অসি শূ-নোম্বা ব্রাৎপা, লল্লোল-ঈতিক্কী মরমদা করিমত্তা থিজিন্দবা অমসুং য়েংশিনবীদে। মী অয়াম্বনা হরাও কুম্মে তৌদুনা মতম লেল্লি, শূ-নোম্বগী থৌদাংনা য়াম্না নেম্মী। লৈহাও লৈখ্রবা ইঞ্চি অমত্তং লুনা খোইদোকপদা পোথোক মরাং কায়না ফংগদবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা শীজিন্নফম খঙদদুনা কাঙ্খ্-থাঙ তাদুনা মাঙহনবা অসিসু অঙকপা মওংনি। শূ-নোম্বা অমদি লাইরিক-লাইশুগী ব্রাখলদা থব্রায় য়াওদবা অসি অঙকপগী মশকনি। মালেম অসি তাইবঙ শেম্বা মপুগী শিনশঙনি। অতনবগী থবক্তি শরুক থুংদে। মহৌশাগী ফজখ্রবা খূৎশেমদা লৈরিবা নুমিৎ, থা, থব্রান্মীচাক, ঈশিং-নুংশিৎ, মঙাল অসিদি লেঙদ্রবা পোৎশকশিংনি। অদুগুম্না লাইবক্না তম্বনি হায়না লৈথোকপনদি অচুম্বা ওইরোই। লাইবক্তা তাইশিন্দুনা লেঙদনা লৈরবদি শেল অমদি চান-থক্নবা পোৎলম অমত্তা থাদরক্লোই। অদুগা ব্রানা শূরুবগী মহয়দি শোয়দনা ফংগনি। থবক শূ-নোমদনা অমদি করিগুম্বা অমত্তা হোৎনদনা কৈদৌনুংদা শেল অমসুং মহয় ফংলোই। হৌজিক তূমদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে, চোঙথোক্তুনা নশাগী শিন্থা পাংলো, অতনবগী থবক্তি লৈতবনি।

লমশাং চৎকদবা লম্বীগী অরেপ্পা ফিরেপকী ব্রাখল তৌদুনা নশাগী ওইবা লনগী নথৌদাংগী ব্রাখল তৌরো, শান্ন-খোৎনবা, নমান্নবগা তোৎন-তিন্নবা, ঙাইহাক নোক খেরুরবসু মতম চানা নথৌদা নপূক্নিং চঙনা নশাগী শিনফম অমা থম্মু। ময়ামগা তিন্নবদা ফংলিবা অফবা ব্রাখলশিংতা লৌশিনগনি, ফত্তবনা হুন্দোক্কনি। নশাগী ব্রাখল ঈচেলগী অচেৎপা শক্তম অমদি কাউগনু। মদুতনা নহাক মী ওইগদবনি। মদু নৎত্রবদি য়ৈখায় থিনগাইবনা থল্লবা তাইবঙসিদা মী অমা ওইবগী ফিরেপ খক লৌবা ঙম্লোই। অব্রাবা ঈপাক্তা তারবা মতমদা কনানসু শরুক য়াবিরোই, অততাই তারগা নথন্তনি ফংগদবা অব্রাবা। পাউরৌ অমনা অসুম্না হায়রি ‘নাওশুম হায়রিবা খূৎ অদুনা সংসারবু লাকই। ফত্তবা ঙাক্কে নঙোন্দা লৈরে। পিক্লিঙৈগী মতমদা হকথেংনবদি ঐবু পোকপীবা পলেমনি। করিনা হায়ববু তাইবঙদা হেক খোঙদারকপদা মালেমদা নুমিৎ থা হেক উবদা পলেমগী খোল্লাং থকপনি, ইমাগী ঈ তোং ফাওবা থকপনি, খরা চাউরক্লগা পল্মৌগী মতেং লৌবনি। অদুগা লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি, হৌন-লোনচৎ তাকপী তম্বীরকপনি। পূম্নমক পিক্লিঙৈদা, শারিঙৈদা শেমহৌদনা চাউরগা, ঈংখ্রগা শেম্বদি নূংদা ঈশিং চাইবনি হায়বসি খক কাউফদে। অদুনা অঙাং অমগী তুংগী লাইবক্তি মমা-মপা অনীদা লৈরিবনি। মরম অসিনা মমা-মপা অনীনা অফবা লোনচৎকী থবক তৌরগা অফবা তমই, ফত্তবা তৌরগা ফত্তবা তমই। অফবা মমা-মপানা অচৌবা ব্রাখল লৈবা মচা পোকই। মরমদি পাম্বীদা নুংশিৎ-নুংশা, লৈহাও ব্রাৎলবদি ফীভম চাদবগুম, মমা-মপানা মওং চাদ্রবদি শেম্বীদ্রবদি ফৎত্রবা লোনচৎ, ফৎত্রবা চিঞ্জাক অমসুং ফত্তবা মীওইশিংগী মতৌ তম্লক্তুনা হৈনখ্রবদি খক থাদোকপা ঙম্লোই। মতম কৌবী লাইরেম্বীবু খক কাউফদে। চৎখ্রবা মতম অমুক হল্লক্তবনি। মপূং-মরৈ ফাদুনা শাৎখ্রবা লৈ অমুক হন্না লৈশাৎ তম্লক্লোই কাউগনু। মতম লৈরিঙৈদা, শারিঙৈদা য়েহৌসি। অতনবা কৌবা লায়নাদগী ঙাকথোকসি, অতনবগী শরুক থুংদবনি হায়বসি মতম পূম্নমক্তা কাউফদে।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা, ব্রাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল*

# মীখল অমদি ব্রাখল



মীখল নকশিল্লকপগা ইরোয়ননা কোক ঙাওবা সুম হেনগৎলক্লে। অফবা মীদা ভোট পীসে, অফবা মীদা ভোটপীসে লোইনা হায়নৈ। ঐসু হায় অফবা মীদা ভোটপীসে। হোটেলদসু হায়রম্মী অফবা মীদা ভোট পীসে... স্কুলদা, ওফিসতা, ওটোরিক্সো মনুংদসু অদুম হায়রম্মী অফবা মীদা ভোট পীসে হায়না। মীনসু অদুম হায়রকই ঐনসু অদুম হায়রুই - ব্রাদি মখা অমত্তা তানদে।

নহান নোংমদি ঐ মফম অমা খঙনা চোপখ্রে। য়োংচাক লৈফমদনি। দিঙ্কু রোদতা শেঞ্জম ইবোপিশক্কা থেংনৈ। চহী ৩০গী মমাঙদা মোর্দন কোলেজদা লাইরিক তম্মীন্নরকপা ইমান্নবনি। ঐনা ইতাওবী হন্দক্তি অফবা মীদা ভোট পীসি, লৈবাক অসে য়াম্না ব্রারে হায়রুবদা - অফবা মী হায়বদি অফবা মীরেপ অদু কনানো মমিং অমুক্তা পীরম্মু ঐ মঙোন্দা ভোট থাদজরগে - হেক্তা হায়রক্লবগী ব্রানিসে। হো অফবা মীদা ভোট থাদমিন্নসি হায়রম্মগা তোকক্ত্রে মাদি। অফবা মী অদু মমিং মথা পীরম্মো ভোট থাদরগে হেক্তা হায়গৎলক্লবনি। খুম্ফম খঙদনা অদুম তোক্লে। ইতাওবী নহাক্লা ফৈ হায়না খনবা মীদো অদুদা অদুম ভোট পীরো হায়রগা তোক্লে।

অফবা মীরেপকী মমিং অমা পীবা অসি তৌহৈদবমক্তি ওইরম্মোই। ভোট খোম্বা মীনা অদুনা ফৈ, অদানা ফৈ হায়বদুদি কনাম য়ানীংদে। নক্লা তিন্নবা মরুপ-মপাংনা লোন্না ফৈ হায়রকপা অদুদি থাজরগে হায়ববু কনামতনা অফবা হায়বা ঙম্নদ্রিবা অসিনি ব্রারিবসি।

ফবগী মতাংসিদা ঐনা হায়নীংবা অমদি লৈ - ভোট থাদগদৌরিবা মীশিংদা। মীরেপকী ব্রা তোক্লসি ঙাইহাক - অদোম অদোম্না পাম্বীরিবা ইথৌ অদু লৈশারিঙৈ মীকৌ-মীরম ফজবা, থৌজালগা য়াম্না হৈবা, মীওক-মীচান ফজবী, ঈং-তপ্পী ওইবা অদুরা নৎত্রগা হায়রিবা লৈশাবী অদুমক্লা কোন্না মৌ ওইরক্লকান্দা মনেম-মকু মতিক চানা থৌগল তৌবী, মনেম-মকু লুনা চান্না তৌবী

### ব্রাইরু-ব্রাইরুবদা

মৌ

অমা ওইরকপা অদুরা ? কনানা হেন্না ফবগে? হান্না সাধু ওইনা লৈরম্লগা কোন্না হিংচাবা ওনখিবা মী ময়াম অমা থেংনখ্রে। অদুগা মসিগী পূমওন ওন্না-তৈনবদনা অমুক হান্না হিংচা-য়াইতম্বা মী হাৎপা অঙাওবা মফম মরাং খঙদবা মী ওইরম্লগা কোন্না অফবা মীনুংশি খঙবা সাধুদগীবু হেন্না ঈং-তপ্পা, ব্রাখল লৈবা মী ওইখিবসু কোঙ্গায় অমনি। অদুনদি মীরেপ অমা মাগী মমাঙগী পুন্সি ব্রারী ফ্রৎ-ফ্রৎ ফাক্কত্তুনা নৈনদুনা য়েংবদা লমায় খুদিংসনাগী ময়েক্লা অফবা ঙাক্তা ইবা মীরেপ কয়া মমাঙদা থাগৎখ্রে অদুবু মমৈদদি মীয়ামগী ইহুল খঙদবা মীনি হায়না হেক্তা হাইগৎনরকই। অদুনদি হৌজিক হান্না মমাঙঙৈদা মীয়ামগী ইহুল খঙবা খঙবী ওইরম্বা-ওইরম্বী অদুবুনা অফবা ওইদৌরিরা? নৎত্রগনা হয়েং মীখল মায় পাক্লবা মীয়ামগী মীহুৎ কোনশেং ওইরবা মতমদা হায়বদি ভোট কাখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী ইহুল খঙলক্কদবা মী অদুনা ফগদৌরিব্রা? কোন্না ফরক্কদ্রা, কোন্না ফরক্লোইদ্রা হায়বসি কমদৌনা করি খূৎলায় শীজিন্নদুনা খঙদোকপা ঙমগদগে? মসিমদি য়াম্না খঙনীংবা পোকই।

মীওইবা অমনা মানা মাগী হৌখিবা পুন্সিদা অফবা মী অমা ওইরকপা তারবদি মাগী তুংদা লাকপা পুন্সিদসু অফবা মী অমা সুম ওইগনি হায়বসি গারান্টি পীবা য়াবা পোৎ অমরা? ঐদি ওইনি হায়বসি কয়া ওইনমদ্রে। কনাগুম্বা অমনা মানা পামজবা পার্টিদা য়াওদুনা মীরেপ অদুদা ভোট পীরুবদা কাখ্রে অদুবু মতম খরা লৈরগা অতোপ্পা পার্টি অমদা চোঙথোকখ্রে - অদুনদি হৌজিক মানা থাদজরুবা ভোট অদু পার্টি চোঙখ্রবনিনা অমুক হন্দোকপা য়াররোই। অরেম্বা তারে - মসিনি মীরেপ অফবা কনানো হায়বদা খরা লুনা থোক্লিবসে। অদুনদি তুংদা মীয়ামগী মায়োক্তা ওনশিল্লক্লোইদৌবা মী খঙবা মাঙজৌননা ঙম্লরোই। অদুনা হন্দকসু অদুম হামু-হামু তারগা তোকপা তারি। মীয়াম্না করিসু তৌবা ঙমদে।

# থাবল চোঙবদা লৈশাবী য়াওগনু হায়রবদি

**নবকুমার ওইনা**

*করিগী* থাবল চোঙলিবনো হায়বসি খঙনরক্তবা মাল্লক্লি। লৈশাবীশিংনা খল্লিবসি চুম্বা মান্দে, নুপা খনবগী থৌরম নত্তে। হকচাং শাজেল নত্তে, ব্রাখল্লোনগী শাজেলনি। মসি খঙবশিংনা কাঙলোন চুম্না থাবল চোঙলবদি খুন্নাই অসি খুঞ্জাও-লৈচাওবা শোয়দবনি। মদুগীদমক ইপা-ইপুনা নাট ওইনা শেমগৎলম্বনি। লাল্লগনা লাঞ্জাওগুম য়েৎনরিবা ওইগনি।

চহী ৩০০গী মমাঙদগী য়াওশঙদা চয়েৎনবা হৌখ্রে। মমিং অসিমকসু মৈহৌরোলগী ব্রাপু থৈদোক্তুনা থল্লম্লগা অনৌবা ব্রাখলগী য়ানশিনবা ব্রারী কয়াদা মিথিকেল ওইবা মালহল্লগা, মতম-মতমগী তোৎশিন্নবা ব্রাপুশিং য়াওশিল্লকপা ওইগদৌরি। চহী য়াংখৈগী মমাঙদনি, চন্না খাজিনবা শঙ মচাদু নুংশিৎ শঙ হায়নসু কৌনবা য়াওরম্মী। অঙাং অপিকপশিংগী ওইনদি শঙ্গোয়গী মনাক্তা ফিনা খাবা উরকই, কাঙলূপ খরগীদি ফি অমুবনা খাবা য়াওই। কোবি-হঙ্গাম, আলু খায়রগা কাংঙৌ চানবা, চাক চানবা য়াওই। খরা চাউরবা নিপামচাশিংনা মীগী ইঙ্খোলদগী কোবি-হঙ্গামদু হুরানবা চৎনরম্মী। খজিক-খরাক হুবা শাওনরমদে, ৫০/৬০ হুরাল্লগা য়োনবগী থবক ওইনা তৌবা য়াওনরকপদগী শাওনবা কয়ানি। ব্রা হুরানবগী লোংনা থিনবা য়াওনখ্রিবনি। ব্রা হুরাল্লগা লৌবুক লমহাংদা শঙ শাবা চহী খরা চৎনরম্মী, মী খরা য়াম্বা, পোৎ-চৈ খরা য়াম্বা হুরানবা ঙম্বশিংনা বামোন নেক্লগা থোংবা-থাকপা তৌহনবা য়াওনরম্মী। হেন্না চুশিন্নহল্লিবা অমদি শঙদু লাইশঙ মান্না শারগা বামোন লাই লেংশিন্নবা তৌনরম্মী। মসিমক্তি লাইনীং শন্দোক্লবা খুদোংচাবা লৌনখিবা ওইগনি। য়াওশঙদি চহী লিশীং লিশীংগী মমাঙদা নোমেদিক ওইরম্বদগী লৌউ-শিংউবা হৈরক্তুনা মহৈ-মরোং থাবা হৌবদগী চৎনরকপা থৌওং অমনি হায়বগী সাইন্টিফিক প্রুফ লৈরবা ব্রাফমনি। মরূ-মরাং হুন্দুনা, পাম-পামদা পোৎ থারিবা লৌফমদু উচেক-ব্রায়া, খৈরোয়নচিংবা শা-ষণদগী ঙাকথোক্লবা য়ারেক্তুনা শংবগী চৎনবী লৈরম্বদুদগী শমথরকপনি হায়বা ব্রাফমনি। শংবগী শঙ শারগা য়ারেক্তুনা ওন-থোইনা শান্নবগুম লৈফমদুবু য়াওনবা শঙ, য়াওন শঙ হায়রকপা ওইগদৌরিবনি। য়ুরোপকী ডোর্মিট্রি-ক্লব হায়বসিগী মনুং চল্লি, ফুরুপ-কাঙলূপ খুদিংমক মসিগী থাক অসিদা লৈরম্বা অয়াম্বনি। বিহুনচিংবা মরূ-মরাং থাবগী কুম্মে লোয়নমক ডোর্মিট্রি-ক্লবকী মনুং চল্লি। মসিমক মুখরকপা অমসুং শক্তম কয়া অহোংবা নায়রকখিবদি মপা মশক খঙদবা মচা পোকপা য়াওনরকপগীনি হায়না রেকোর্দ তৌই। মসিগী মরমদি য়ুমদগী লাপথোক্লা পাম য়ান্নরকপা, মচা নুপা য়াওজদবশিংগী মীহুৎ মচানুপীশিংনা চত্তবা য়াদবা কয়া য়াওনরকপগী ওইগনি হায়বনি। হৈনবী অদুমক চৎনবী ওইরকই। ঙসি ফাওবা উমংলাই হরাউবদা ঔগ্রী চোঙলি, জগোয় শাদুনা নুপা-নুপী খূৎশম্নদুনা কোয়না চৎপা থৌরম কয়া জগোয় ওইনা লৈহৌরি। থাবলদা জগোয় শাদুনা চোঙববু থাবল চোঙবা কৌরি। ফজদবা ব্রাথোক ওইবা থৌওং কয়া লৌথোক্লগা লাই হরাউফমদা চোঙবগী মহুৎ শুমাংদা, অনকপা লম্পাক্তা চোঙনরকপা ওইফম থোকই। জগোয় ওইনা উরবসু ঔগ্রী চোঙবা অসিমক থাবল চোঙবগী হৌরকফমনি হায়রিবনি। লাইরোল য়াওনা চোঙবা তারবদি খূৎ শম্নবা থাদোক্লবা য়াদে হায়রিবনি। তশেংনা অহিংদা ঔগ্রী চোঙগে হায়রদি য়ূম্বানবদা তেক্তা কায়দবা, শোয়নাইদবা নুপী খল্লিবনি, মপুক লেপত্রিবা লৈশাবী য়াওনদ্রিবনি। য়াওগে হায়বদি থিংবা মান্দে, য়ূম্বাল্লোনগী অহকপা-অরুবা ব্রাশিং খঙগদৌবনি হায়বা ওইগনি। ঔগ্রী চোঙবদা খৎচিন্নফম লৈতে। মদুগী মতৌ তমদুনা চোঙবা থাবলনি, ঔগ্রী চোঙবা তম্বগী খোঙথাং অমসু ওইরিবনি। লাই হরাউবগী থৌরম অমা ওইরিবনি। করিগীদমক হুইথি য়েপসে হায়বনো খঙহনবা চঙই। ‘‘চীংদা পাইবা ব্রাকোন্না তমদা তাগে হায়রেনে, ব্রাকোন্না ফাসে লিফাসে ব্রাকোন কনোয় নোয়।’’ হায়বসি খঙহল্লবদি থাবল চোঙবগী লাংলিবা নুপীমচাশিংগী পূক্নিং ফাথবদসু মতেং ওইগনি।

পূম্নমকসি খঙদনা থৌবু শাবগী মওংদা য়াওশঙবু ব্রাথোক শাগৎফম ওইনা ঙাঙনবদি লানগনি খল্লি। খঙদ্রবদি খঙবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নবা চঙই। নুমিৎ মঙানি থবক শূদনা মতম মাঙহনবসিদি য়াওশঙগী হৌরকপা ব্রারীগা মরী লৈনদে, য়ানশিল্লকপা চৎনবী খরনা হুমদুনা পুরুবগীনি হায়গনি। হেন্না ফজদবা মাল্লিবসু লাইনীং য়াওনা তোৎশিন্নখিবনা ওইফম থোকই। অহলশিং য়াওনা ঙাওরবদা নুপীমচা নুপামচাশিংনা করি খঙলুগনি। মীওই অমা অনীনা খঙদবদি ফরি। লূপ ওইনা লৈরবশিংনা খঙদবদগী য়াওশঙবু লৈশাবী খরগী ঈরাং শাগৎফম ওইনা উবা মানবদি লানগনি। মতমগী মতুং ইন্না থাবল চোঙবা অমা লাংবদা পৈশা য়াম্না চঙবদগী মমায় ফাওবা খুমজিল্লগা য়াওশঙ য়ৌদ্রিঙৈদগী লম্বীদা থোক্তুনা পৈশা খায়রিবী নুপীমচা পুংকক চাউরবীশিংনা নাট ওইনা শৌগৎপগী থৌদাং অমদি লৌরিবনি। ব্রাবনা অঙাংশিংনা ব্রাজরগা হুমাং থোক্তবী খরনা মৌ য়াওবা য়ারোই, নুপী থিরবা নুপা য়াওবা য়ারোই হায়না য়াথং তাওথনবা কয়া লাওনরিবসিবু কনানা অথোরিটি ওইবগী ওর্দর পীখ্রবগে? ব্রাথোক য়াম্নরিবসিদি য়াওশঙনা নত্তে, লোনচৎননি, য়াওশঙ নত্তবা মতমদসু নুপী হাৎপা, নুপা হাৎপা য়াওনরিবসিনি। য়াওশঙগী মরমদা য়াম্না ঙাঙনরিবসিদি য়াওশঙ খঙদবা ওইগদৌরিবনি। খঙলবা মতুংদা তপথনখিনি। ব্রাথোক য়াল্লিবগী মরমদি পূক্নিং ব্রাখল ফাথবগী লোনচৎ শাগৎতবগীনি। য়াওশঙবু লুহোংনবা নুপী থিবা চৎপা ওইনা উরবদি স্কুল-কোলেজসু নুপী খনফম ওইনা লৌবা তারক্লিব্রা? ফেষ্টিবেল তৌরিবা ময়ামসিনা নুপী চেনবা নুমিৎনি হায়রক্কদৌরিব্রা? লৈখায় তানহৌবা চুমগনি।

য়াওশঙদা চমোৎনহল্লিবদি পৈশা খায়বা ওইনা চত্থনরকখিবা য়াওবদগীনি। লাইনীং য়াওনা পৈশা খায়বদা শৌগৎপা য়াওরিবনি। খায়জিল্লগা চাথোকপা হায়বসিদা মায় ঙাঙনদবা অমা অঙাংশিংগী মতৌদু অহলশিং য়াওশিল্লকপা অসিনা থবক লেল্লগা উরাউ-থরাও তৌরগা লেনবা মাল্লকপনি। লৈবাক মাঙনবা শিনবা মানবা থৌরমশিংদা লৈবাক নিংথৌ য়াওরল্লিবনি। লাইনীংগী লান্দা লৈবাক মুখৎপা ঙম্নরল্লিবনি। য়াওশঙবু লান্না উহনখিবনি, মাঙথোক্লিবনি।

য়াওশঙগী অশেংবা শক্তমদা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা য়ূম্বান লম্বী ওইনা উহন্নবা হোৎনবা তারবদি খুন্নাইসি মুখৎনবা শিনবগুম্বনি। য়াওশঙগী থৌরমদা মরীং-মরাংনবা তৌরিবশিংসু খুন্নাইসি মাঙথোক্লবা হোৎনবশিংনি হায়না লৌবা তারকপদুনি। য়ানশিল্লকপা ব্রাখল্লোনশিংনা নাপল ব্রাংবা, অচুম্বা খঙদবদগী ব্রাথোক্কী থাক ব্রাংখৎলকপনি। ষ্টেট অসিগী মনুংদা কাঙলূপ ময়ামসিগী মরক্তা ব্রাথোক য়াল্লিবসি থাবল চোঙলিবা কাঙলূপ্না ওইরিবগুম তৌরি, হৌদোং উবা খুদিং শেন্দাং খোংবা তাগনি হায়বসি লাইব্রানি।

য়াওশঙগী শক্তম লেপ্পদা শান্নবনা মপূং ফানা থৌদাং লৌবা ঙমদ্রি। থায়নগী মুক্না শান্নবা তম্বসি য়াওশঙ থাদনি। কালেন লাই হরাউবদা শান্নগদৌরিবনি। ঙসিনা য়াওশঙ স্পোর্টস তৌরবসু হোলি থিংবা ঙমদ্রিবা করিগীনো খঙনফম থোকই। মায় ঙাংদ্রিবা কাঙলূপ লৈরি হায়বনি, ব্রাখল-লৌশিংগী লান অমা য়াওরি। থাবল চোঙবনা ব্রাথোক ওইবা নত্তে, থেংনা চোঙবননি। ব্রাথোক্তি মমা-মপানা শিনবনি। থাবল চোংদ্রগা য়ূম পানবা খঙনরোইদবা নত্তে। মনুংদা লৈরিবা লংলা ওইরিবা ঔগ্রীগী খূৎশম্নবদু কাউরুবনি। মরূদা হঞ্জিন্নীংদবা কাঙবুনা মপাঙ্গল কনবা শাদুনা য়াওশঙবু উৎ চাইশিনবনি, অঙাংশিংবু লান্না ঈরাং শাগৎখিবনি, লান্না লাইচুবনি।

য়াওশঙ কুম্মৈসি মীপূম খুদিংগীনি। কুম অমগী হৈবা-শিংবা তান্নফম, উখোক্লফম থৌরমনি। মরম অসিদগী স্পোর্টস তৌবদা চুশিন্নবা ঙমগদৌরিবনি। থৌরাং-থৌশিলদা খরা খেন্নবা লৈরিবা উনরি। লাইবুংদা তৌবা থৌরম মান্দবা অমা য়াওরি। মুক্নাদি লাই খুরুম্লগা শান্নবনি, থাঙ-তাসু লাই খুরুম্লগা হৌবনি, শা পায়বসু লাইমাংদনি। পানাগী মুক্নারোই মশীং থিদোক্কনি, লৈশা ফালগী মী মশীং, পাখঙ ফালগী মীশিং থিদোকপা চঙই। থৌবৈগী থৌদাং শিনবদা শকখঙনবদি অদুমক তুং ইন্নজরকপা ব্রানি। হৌজিক্তি মুখরক্লবা খুন্নাই ওইবগী ময়ূম পান্দ্রবী নুপী মশী থিদোক্তবা য়ারক্তবগী ব্রাফম লাক্লি, থবক ফংদ্রিবা মী মশীং থিদোক্তবা য়ারক্ত্রবনি। মদুগী সেমিনার তৌবসু ক্লবশিংগী থৌদাং ওইরবনি। স্পোর্টস শিল্লিবা ক্লবকা হোলি চৎলিবা লূপকা ইমান মান্নখৎলক্লবদি য়াওশঙগী শক্তম হোংবা ঙম্বা ওইথোক্লোইদৌরিবনি। থাবলদা পাখঙবা লাৎকদৌবনি।

লৈমিন্নরিবা য়াওশঙ য়াওদবা ফুরুপশিংগী মমাঙদা নুমিৎ মঙানি লম্বী থৎপা হায়বসি মীগী রাইট থিংবনি, লিগেল্লি লাল্লি। মীওইবগী রাইট খঙবা মীওইশিংনা তৌফম থোক্তবা ব্রাফমনি। মীগী রাইট খঙদনা ইশাগী রাইট ঙাকপসু ঙম্লোই। অদুনবু মীমাং-পুমাং খঙদনা য়াওশঙদা শাজৎ চুম্বা ঙম্নরক্ত্রিবনি, হাৎন-শুনবা, এক্সিদেন্ট ময়াম থোক্লিবনি, কলচর তৌদবা লমলক্কী শা মানবা হেনগৎলক্লিবনি। ব্রাথোকশিং অসি য়াওশঙনা থোকহনবা নত্তে, ব্রাথোকশিং অসিনা য়াওশঙগী শক্তমদা অকায়বা পীরকপনি। ব্রাথোক শেন্নবদি লূপকী মথৌ নত্তে, লৈবাক পায়বশিংগী থৌদাংনি।

লৈঙাক পায়বশিংনা য়াওশঙ খঙদ্রিবা মাল্লক্লি। হোলিদি খঙবা মাল্লি, হোলি য়াওবা উখ্রে, পৈশা কৎপা হালেংবা নত্তে, হোলিদা ভোট তৌশিনবা মাল্লক্লি। থাবল চোঙবদসু ভোট মাঙদনবা থেংনা চোঙবা থিংবা ঙমদবা ওইরম্বা য়ারি। ভোটকী খল্লিঙৈদা লৈবাক খুন্নাই ঙাক শেনবগীদি তুংওইনরম্বা ওইগদৌরি। লৈবাক মুৎনবা তৌবা লৈঙাক তারক্কদৌরি। মদুসু ঔগ্রী চোঙবা হৈরবা মতমদতা খঙলক্কনি, থাবল চোঙবগী পৈশা খরা পীবনদি খঙবা ঙম্লোই, খঙনীংদবগীনি।

থাবল চোঙবগী শিল্লিবী নুপীমচাশিংনা ব্রাথোক থোকপা পামদবদগী হৈ-লৈ, মৈরা কৎপদি উনখ্রে। মরম চুম্না নাট খঙনা তৌবদি মান্দবসু লৈরিবগুম তৌরি। দি সীদগী পার্মিসন লৌবগা লোয়ননা নোংমা মাঙওইননা লাইনিংথৌ-লাইরেম্বীগী মচা-মশুশিংনা লাইবুংদা পাউকৎ তম্বা চুম্বরা খন্নফম থোক্লকই। থাবল চোঙফমদসু নোংপোক নিংথৌ, মার্জিং অমসুং শন্থোং অপানবগী খুভম অহুমসি ফাওবদি ঈরাৎপা চুম্ব্রা হায়বসি উত্রাগুম্বা থৌগল্লূপশিংনা য়েংশিনফম থোকপ্রা খল্লকই। থাবল চোঙবগী হৌবদা নৎত্রগা লোইবদা ঔগ্রী চোঙবদি চুমগনি খল্লি।